স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# লিওনেল মেসি য়াওনা চনখিবা পাঞ্জল ৪না বার্সেলোনানা মালোরকাবু ৪-০দা থোইবা ঙমখ্রে



মালোরকা, জুন ১৪ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসি য়াওনা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চন্দুনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা স্পেনিস লা লীগাগী ২৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মালোরকাবু ৪-০দা থোইখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদুগী মাঙওইননা বার্সেলোনানা মমাঙগী মেচ ২৭তা পোইন্ট ৫৮ ফংদুনা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা রিএল মাদ্রিদতগী পোইন্ট অনী হেল্লগা টিম ২০গী কম্পিটিসন অসিদা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বনি। মালোরকাগা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা বার্সেলোনাগা মখোয়গী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। পাঞ্জল অদু জোর্দি অলবানা পীরকখিবা বোল অমদা অর্টুরো ভিদালনা চনখি।

মালোরকাগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরক্তুনা পুঙ্খায় অমরোম হেনবা মতমদা মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকরশিং অদুবু থিংবা ঙমখি। ৩৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী লিওনেল মেসিনা পীখিবা পাস অমদা মার্টিন ব্রেটৱেটনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

মেচ অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা মালোরকাগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ হৌরকপদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা অকনবা প্রেসর বার্সেলোনাগী মায়কৈদা পীদুনা শান্নরখি।

মখোয়গী দিফেন্স অদু বার্সেলোনানা ৭৯শুবা মিনটতা থুগাইবা ঙমখি। লিওনেল মেসিনা অমুক হন্না ফংখিবা বোল অমা মফম চানা ইন্থোরকপদগী জোর্দি অলবানা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমলোইদবগী ফীভমদা লৈরবা মালোরকাগী মায়কৈদা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা লুই স্বারেজনা পীরকপা বোল অমদা মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবা লিওনেল মেসিনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেচ অদু থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ২৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং এথলেটিক বিলবাও পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। ৩৭শুবা মিনটতা এথলেটিক বিলবাওগী মায়কৈদগী আইকর মুনায়ননা চনখি। অদুগা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগীনা ইক্কেরাইজর অদু ৩৯শুবা মিনটতা দিএগো কোষ্টানা চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 28 | 19 | 4 | 5 | 67 | 31 | +36 | 61 |
| 2 | Real Madrid | 27 | 16 | 8 | 3 | 49 | 19 | +30 | 56 |
| 3 | Sevilla | 28 | 14 | 8 | 6 | 41 | 29 | +12 | 50 |
| 4 | Real Sociedad | 27 | 14 | 4 | 9 | 45 | 33 | +12 | 46 |
| 5 | Getafe | 28 | 13 | 7 | 8 | 38 | 27 | +11 | 46 |
| 6 | Atlético Madrid | 28 | 11 | 13 | 4 | 32 | 22 | +10 | 46 |
| 7 | Valencia | 28 | 11 | 10 | 7 | 39 | 40 | −1 | 43 |
| 8 | Villarreal | 28 | 12 | 5 | 11 | 45 | 38 | +7 | 41 |
| 9 | Granada | 28 | 12 | 5 | 11 | 35 | 33 | +2 | 41 |
| 10 | Athletic Bilbao | 28 | 9 | 11 | 8 | 30 | 24 | +6 | 38 |
| 11 | Osasuna | 27 | 8 | 10 | 9 | 34 | 38 | −4 | 34 |
| 12 | Levante | 28 | 10 | 4 | 14 | 33 | 41 | −8 | 34 |
| 13 | Real Betis | 28 | 8 | 9 | 11 | 38 | 45 | −7 | 33 |
| 14 | Valladolid | 28 | 7 | 11 | 10 | 25 | 34 | −9 | 32 |
| 15 | Alavés | 28 | 8 | 8 | 12 | 29 | 39 | −10 | 32 |
| 16 | Eibar | 27 | 7 | 6 | 14 | 27 | 41 | −14 | 27 |
| 17 | Celta Vigo | 28 | 5 | 11 | 12 | 22 | 35 | −13 | 26 |
| 18 | Mallorca | 28 | 7 | 4 | 17 | 28 | 48 | −20 | 25 |
| 19 | Leganés | 28 | 5 | 8 | 15 | 22 | 41 | −19 | 23 |
| 20 | Espanyol | 28 | 5 | 8 | 15 | 25 | 46 | −21 | 23 |

বুন্দেসলীগা ২০১৯-২০

# গোরেটজকাগী অথেংবা পাঞ্জলনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক্কা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগ থোইখ্রে



© Getty Images/A. Hassenstein

বর্লিন, জুন ১৪ (এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা বুন্দেসলিগাগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোয় লিওন গোরেটজকানা শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জলনা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লবাগপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টাইটল ফংবগী লম্বেল নকশিলহনখ্রে।

বেয়র্ন ম্যুজিক্কা য়ূম্বু ওইদুনা টিম অদুগী ষ্টেদিয়ম অলিয়ান্স এলিনাদা শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী ২৬শুবা মিনটতা জোসুৱা জর্কজিনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লবাগকী মায়কৈদগী হোৎনরকখিবা অদু ৩৭শুবা মিনটতা মায় পাকপা ঙমখি। টিম অদুনা চথুরকপা এটেক অমদা এফ সী বেয়র্ন ম্যুনিক্কী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লক্তুনা কাওশিল্লকখিবা বোল অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্কী দিফেন্দর বেঞ্জামিন পবার্দতগী থকচিল্লগা গোল ওইখিদুনা ইক্কেলাইজর অদু ফংবা ঙমখি।

মখা তারকপা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদুসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা বেঞ্জামিন পবার্দনা পীরকপা বোল অমদা লিওন গোরেটজকানা য়াম্না ফজনা বোল অদু বোরুসিয়াগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইখি।

মায় পাক্লবা বেয়র্ন ম্যুনিক পোইন্ট টেবলদা ৭৩ ফংদুনা লৈরি। মখোয়না খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী পোইন্ট ৭ হেন্দুনা লাক্কদৌরিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ৱর্দর ব্রিমেনবু থোইবা তারবদি টাইটল অসি মখোয়না লৌরগনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অতোপ্পা ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ওক্সবর্গনা মাইন্স ০৫পু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১গী মনুংদা ওক্সবর্গনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী খোঙজেল য়াঙনা কার্লোস গ্রুজেনা ফংবা বোল অমা ইন্থোরকপদা ফ্লোরিয়ন নাইদর লেনরনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখি। ওক্সবর্গ পোইন্ট ৩৫ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসন্দা হাইগৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bayern Munich | 31 | 23 | 4 | 4 | 92 | 31 | +61 | 73 |
| 2 | Borussia Dortmund | 31 | 20 | 6 | 5 | 82 | 35 | +47 | 66 |
| 3 | RB Leipzig | 31 | 17 | 11 | 3 | 77 | 32 | +45 | 62 |
| 4 | Borussia Monchen | 31 | 17 | 5 | 9 | 58 | 38 | +20 | 56 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 30 | 17 | 5 | 8 | 56 | 40 | +16 | 56 |
| 6 | VfL Wolfsburg | 31 | 12 | 10 | 9 | 44 | 38 | +6 | 46 |
| 7 | 1899 Hoffenheim | 31 | 12 | 7 | 12 | 42 | 52 | −10 | 43 |
| 8 | SC Freiburg | 31 | 11 | 9 | 11 | 41 | 43 | −2 | 42 |
| 9 | Eintracht Frankfurt | 31 | 11 | 5 | 15 | 53 | 56 | −3 | 38 |
| 10 | Hertha BSC | 31 | 10 | 8 | 13 | 44 | 55 | −11 | 38 |
| 11 | Schalke 04 | 30 | 9 | 11 | 10 | 35 | 47 | −12 | 38 |
| 12 | 1. FC Köln | 31 | 10 | 5 | 16 | 48 | 59 | −11 | 35 |
| 13 | FC Augsburg | 31 | 9 | 8 | 14 | 42 | 57 | −15 | 35 |
| 14 | Union Berlin | 31 | 10 | 5 | 16 | 37 | 54 | −17 | 35 |
| 15 | Mainz 05 | 31 | 9 | 4 | 18 | 39 | 63 | −24 | 31 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 31 | 6 | 10 | 15 | 33 | 61 | −28 | 28 |
| 17 | Werder Bremen | 31 | 7 | 7 | 17 | 35 | 64 | −29 | 28 |
| 18 | SC Paderborn | 31 | 4 | 8 | 19 | 34 | 67 | −33 | 20 |

# শান্নরোয়শিংনা নেসনল এন্থেমগী মতমদা খুরু খুদক কুল্লবদি মেচ য়েংলোই : ত্রম্প



ৱাশিংটন, জুন ১৪ (এজেন্সী): য়ু এস এদা নৌনা শান্নবা হৌগদৌরিবা নেসনল ফুটবোল লীগ (এন এফ এল) অমসুং য়ু এস দোক্কর টিম মেচশিং হৌরমদাইদা লৈবাক অদুগী নেসন এন্থেম থারকপগী মতমদা শান্নরোয়শিংনা লেপ্পগী মহুত্তা খুরু খুদক কুল্লবদি মেচ অমত্তা য়েংলোই হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা য়ু এস সোক্কর ফেদরেসনননা ফোঙদোকখিবদা নেসনল এন্থেমগী মতমদা শান্নরোয়শিংনা লেপ্পগী তঙাইফদবা অদু লৈহল্লরোই। পোলিসি অদু অরানবনি। অদুগা ব্লেক লাইবস মেটর মুভমেন্টকী মায়োক্তা লৈবনি হায়খি।

পোলিসি অসি কুমজা ২০১৭তা নৌনা শেমখিবনি। চহী অদুদা য়ু এস এগী নুপীগী নেসনল সোক্কর শান্নরোয় মেগান রাপিনোনা গেম অমা শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নেসনল এন্থেম থারকপদা খুরু খুদক কুনখিবনি।

মহাক্কী থৌওং অদু লৈবাক অদুদা রেসিএল ইনজষ্টিসকী লৈরিবা ফীভম অদু লৈঙাক্তা অমদি মীয়ামদা পুক্লিং চিংশিনবা ওইনা নেসনল ফুটবোল লীগকী ক্বাটর বেক পোলিন কিপরনিকনা খুরু খুদক কুনবা হৌখিবা অদুবু শৌগৎপা ওইনা তৌখিবনি।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ত্বিট তৌরকখিবদা করিগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুনা নেসনল এন্থেম থারকপা মতমদা খুরু খুদক কুল্লবদি মহাক মেচ অমত্তা য়েংলোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ত্রম্পকী ৱাফম অসি রিপব্লিকান কোংগ্রেসমেন অমা ওইরিবা মেট মিটসনা য়ু এস সোক্কর ফেদরেসনননা লৌরকখিবা খোঙথাং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী রিপোর্ট পীরকখিবনি।

ত্রম্পনা মখা তারদুনা য়ু এস সোক্কর ফেদরেসনননা পায়খৎলিবা খোঙথাং অদুদা নেসনল ফুটবোল লীগসু চৎনবগী ফীভমদা লৈরি। অদুবু মহাক্না মেচ অমত্তা য়েংলোইদৌরিবনি হায়খি। মহাক্না য়েংবা মেচশিংদা শান্নরোয় অমত্তনা খুরু খুদক কুনবগী থৌওং উৎলোইদবনি হায়রি।

নেসনল ফুটবোল লীগকী কম্মিস্নর রোজর গুদেলনা থা অসিদা ফোঙদোকখিবদা লীগ অসিনা শান্নরোয়শিংগী ৱারোলশিং তাখিদবা অদু অশোয়বনি হায়খি।

হৌখিবা থাদা মিনেপোলিষ্ট ষ্টেটতা কুচু মুবা জোর্জ ফ্লোইদবু কুচু ঙৌবা পুলিস ওফিসর অমনা মঙকশমদা মখুনা নম্বদগী শিখিবনি।

# ‘স্বিমিং পুলশিং ত্রেনিংগীদমক হাংদোক্কগদি শান্নবদগী পোখারগনি’



ন্যু দিল্লি, জুন ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়া পূম্বদা লোকদাউন থল্লম্বদগী অখন্নবা হীরম খরদা কোমথোকপা লাক্লবসু স্বিমিং পুলশিং ত্রেনিং তৌনবা হাংদোক্তবা মরম্না এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ভিরধৱল খাদেনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা ত্রেনিং হৌদবা মরম্না মহাক্কী মায়কৈদগী মশান্না অসিদগী পোত্থানীংবগী ৱাখল খনবা হৌরে হায়রি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ইন্দিয়াগী স্বিমরশিংনা অথুবা মতমদা ত্রেনিং মখা চত্থদ্রবদি খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসি খাদেনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা থাইলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম খরা অমসুং য়ু কেগী মফম খরদসু স্বিমিং পুলশিং হাংদোক্তুনা স্বিমরশিং ত্রেনিং তৌবা হৌখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী নৌনা পীরকপা গাইদলাইনদা অথিংবশিং অদু খরা কোমথোক্তুনা মার্কেট হাংবা, সোপিং মোলশিং হাংদোকপা অমদি স্বিমিং পুলশিং হাংদোকপা য়াদনা লৈরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্বিমরশিংগী ওইবা ত্রেনিং সেন্টরশিংগী স্বিমিং পুলশিং হাংদোকপগী পাউ লৈত্রি। অদুবু এথলেটিক্স অমসুং ৱেটলিফটিংগী ওইনা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা শান্নরোয়শিং প্রেক্টিশ তৌবা হৌখ্রে।

অতোপ্পা এথলেটশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্না ত্রেনিং তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা স্বিমিংগীসু মান্নবা মওংদা হৌবা য়াগনি হায়রি।

# সুনিল ছেত্রিনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমবু মশক থোকহনবা ঙম্মী : কোচ ষ্টিমেক





ন্যু দিল্লি, জুন ১৪ (এজেন্সী): মশাগী ফুটবোল করিয়রদা চহী ১৫ হেল্লবা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সুনিল ছেত্রিনা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী টিম অসিবু মশক উৎপদা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা শান্নরোয়নি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা সুনিল ছেত্রিনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা চহী ১৫ শান্নবা ঙম্বা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরি। মহাক্কী মমাঙদা সিক্কিমদগী হৌখিবা লিজেন্দরি বাইচুং ভুটিয়ানা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা চহী ১৫ শান্নবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইরম্বনি।

সুনিল ছেত্রিনা মহাক্কী ইন্টরনেসনল ফুটবোল করিয়র অদু কুমজা ২০০৫দা পাকিস্তানগা লৈবাক অদুগী সিটি ক্বেটাদা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নবা অদুনা ওইখি। হায়রিবা মেচ অদুদা ছেত্রিনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

কোচ ষ্টিমেকনা ঙসি সুনিল ছেত্রিবু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা হায়খিবদা ছেত্রিনা ত্রেনিং সেসন্দা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী খোঙথাং অমা/অনীদা ওইরবসু হেঞ্জিন্না হোৎনবগী হৈনবী লৈ। মসিনা অতোপ্পা টিম অদুদা য়াওরিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা চাউনা কান্নবা পীরি।

মহাক্কুম্বা শান্নরোয় অসিনা টিম অদুবু শোত্থরম্বদগী ফুকৎপা ঙম্বা অমদি অশোয়বা লৈরবসু মখা তানা শোয়হন্দনবগীদমক্তা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা শাফু পীবা ঙম্বা শান্নরোয়নি।

কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী টিম অসিগী খ্বাইদগী সেনিয়র ওইবা মেম্বর অমা ওইরবসু অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী হেন্না চেন্দুনা অফবা রিজল্ট পুরক্নবা হোৎনবা ঙম্বা শান্নরোয়নি হায়খি।

থৱায় য়াওবগী চাং অসি অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদগী হীরম খরদগী সুনিল ছেত্রিনা হেন্দুনা লৈরি। মসিমক্না মহাক্কী শাংলবা ফুটবোল করিয়র অসি মপূং ফাহনবা ঙম্বনি হায়না সুনিল ছেত্রিবু চহী ১৫ ফুটবোলগী করিয়র অসিদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা কোচ ষ্টিমেকনা মখা তাখি। ষ্টিমেকনা হৌখিবা চহীদগী ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ছেত্রিগুম্বা হোৎনবা কনবা শান্নরোয় থেংনদ্রি হায়খি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# বেলসিনা বোব্রুক্স অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে

মিন্সক, জুন ১৪ (এজেন্সী): মিন্সক সিটিগী বি জে য়ুগী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা বেলারসিয়ন ফুটবোল লীগকী ১৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টিম ১৬কী মনুংদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা বেলসিনা বোব্রুক্সনা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টিম অদুনা ঙসি মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা ইনর্জেটিক মিন্সকপু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নদুনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী হেঞ্জিন্নবা ঙমদবদগী পাঞ্জল চনবা খুদোংচাবা অমত্তা ফংনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা বেলসিনা বোব্রুক্সকী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা ইনর্জেটিক মিন্সককী দিফেন্স লাইন অদু লানশিনবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় দানিলা নিসেবনা ফংখিবা বোল অদু টিমমেট লিওনিট কোবেলদা খাইদোরকপদা মহাক্না অশোয় অঙাম য়াওদনা মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেচ ১২দা পোইন্ট ২২ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা ইনর্জেটিক মিন্সকনা ফনা কন্না হোৎনরবসু বেলসিনা বোব্রুক্সকী দিফেন্স লাইন অদু নমখায়বা ঙমদবদগী ইক্কেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা মখোয় মায়থীবা নংখি।

অহানবা ওইনা লীগ অসিদা মায় পাকখিবা বেলসিনা বোব্রুক্স পোইন্ট তরুক ফংলগা অদুমক ১৬শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচশিংদা নেমান গ্রোদনোনা এফ সী স্মোলিভিচিবু ২-০দা থোইখি। দাইনামো মিন্সকনা স্লাভিয়া মোজিরবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা টোর্পিদো ঝোদিনোবু দাইনামো ব্রেষ্টনা ২-০দা থোইদুনা পোজিসন হোংদোক্লখি।

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# দেগু এফ সীনা এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে, গ্বাংজু এফ সীনা বুসান আই পার্কপু ৩-১দা থোইখ্রে



সিওল, জুন ১৪ (এজেন্সী): কোরিয়ন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা দেগু এফ সীনা এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা গ্বাংজু এফ সীনা বুশান আই পার্কপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অনী অদুনা কোরিয়ন ফুটবোল লীগ অসিগী তরুকশুবা রাউন্দগী অরোইবা মেচশিং ওইখি।

দেগু এফ সীনা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ দেগু বেঙ্ক পার্কতা শান্নখিবা মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা দেগু এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা খুদুম চনবা ঙমখি।

দেগু এফ সী ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট তরুক ফংলগা নিপানশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা এফ সী সিওলসু পোইন্ট তরুক ফংলগা মাপনশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

মেচকী ১০শুবা মিনটতা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী সেসিনহানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এফ সী সিওলনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ ৩৪শুবা মিনটতা দেগু এফ সীগী দে ৱোন কিমনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু দেগু এফ সীগী এটেক অমদা এফ সী সিওলগী সু য়ং পার্কতগী খেৎচিল্লগা ৪১শুবা মিনটতা চনখি।

হাফ মতুংদা দেগু এফ সীগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা দে ৱোন কিমনা ৫২শুবা মিনটতা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মঙাশুবা পাঞ্জল অদুসু এফ সী সিওলগী শান্নরোয় অমদগী থকচিল্লগা চনখিবনি। অদুগা তরুকশুবা পাঞ্জল অদুনা দেজাননা ৭২শুবা মিনটতা চনদুনা ৬-০দা থোইবদগী টেবলগী মঙাশুবা পোজিসন্দা হাইগৎখি।

গ্বাংজু ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু গ্বাংজু এফ সীগা বুসান আই পার্ককা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা রোমুলোনা বুসান পার্ককী একাউন্ট হাংদোকখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী শান্নরকপদা গ্বাংজু এফ সীনা লাকশিন্দুনা পাঞ্জল ৩ চনশিনখি। ৬১শুবা মিনটতা ৱিলিয়াননা চনখি। ৭০শুবা মিনটতনা টিমমেট ফেলিটনা চল্লবা মতুং অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা ৯০শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীগী জু গোং কিমনা চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk Motors | 6 | 5 | 0 | 1 | 10 | 3 | +7 | 15 |
| 2 | Ulsan Hyundai | 6 | 4 | 2 | 0 | 14 | 4 | +10 | 14 |
| 3 | Gangwon FC | 6 | 3 | 2 | 1 | 9 | 7 | +2 | 11 |
| 4 | Pohang Steelers | 6 | 3 | 1 | 2 | 12 | 10 | +2 | 10 |
| 5 | Daegu FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 10 | 5 | +5 | 9 |
| 6 | Sangju Sangmu | 6 | 2 | 2 | 2 | 7 | 10 | −3 | 8 |
| 7 | Seongnam FC | 6 | 2 | 2 | 2 | 5 | 4 | +1 | 8 |
| 8 | Gwangju FC | 6 | 2 | 1 | 3 | 5 | 6 | −1 | 7 |
| 9 | FC Seoul | 6 | 2 | 0 | 4 | 5 | 15 | −10 | 6 |
| 10 | Suwon Samsung | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 7 | −2 | 5 |
| 11 | Busan IPark | 6 | 0 | 3 | 3 | 4 | 9 | −5 | 3 |
| 12 | Incheon United | 6 | 0 | 2 | 4 | 2 | 8 | −6 | 2 |

কোপা ইটালিয়া

# নাপোলিনা কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেলদা জুবেন্টসকা থেংনরগনি



নেপলস, জুন ১৪ (এজেন্সী): ইটালিয়ন কপ হায়নসু খঙনবা কোপা ইটালিয়া কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলগী অনীশুবা লেগতা নাপোলিনা য়ূম্বু ওইরগা ইন্টরনেজিওনেলগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রবসু এগ্রিগেটতা মখোয়না হেনবদগী ফাইনেল য়ৌদুনা জুবেন্টসকা থেংনরগনি।

কোপা ইটালিয়াগী সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১২দা নাপোলিনা ইন্টরনেজিওনেলগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি। অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা লেগ অদুদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ইন্টরনেজিওনেলগী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ন ইরিকসননা পাঞ্জল অমা ঙন্না চনখি। টিম অদুনা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক নাপোলিবু মায়থীবা পীবা তঙাইফখিদে।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাফকী পুঙ্খায় অমা হেনবা ফাওবা লৈবা ঙমখ্রবসু নাপোলিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অদু ৪১শুবা মিনটতা মায় পাকখি। লোরেঞ্জো ইনশিংনা পীরকপা পাসতা দ্রিজ মর্টেন্সনা ইক্কেলাইজর অদু চনখিবদগী এগ্রিগেটতা মখোয়না ২-১দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com